

# হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস





স্বিটজরলেন্দগী স্কুল রিজোর্টতা পাঙথোকপা স্নোবোর্দ পেররেল জাইন্ট স্লালোম লমজেলদা নুপাগী ওইনা ৱর্ল্ড কপ টাইটল ফংখ্রবা রসিয়াগী আইগোর স্লুৱেব

চাইনাগী ঝে জিয়াং প্রোভিন্সতা লৈবা ঝুজিদা পাঙথোকপা চাইনিজ ফুটবোল এসোসিএসন লীগতা সাংজি লুংসকী মায়োক্তা বোল পুশিল্লিবা সন্দোং হিরোজকী তাও হন লিন (ওই)

## চেন্নাইন এফ সী অমসুং ওরিষা এফ সী পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে, কেরলানা জমশেদপুরবু ৩-২দা থোইখ্রে



**11th Jan, Monday (55th Match)**
ATK Mohun Bagan
vs
Mumbai City FC
Time : 7:30 PM



*জমশেদপুর এফ সীগী শান্নরোয় মণিপুর মচা জেকিচান্দ (য়েৎ)না কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোয় লাম্থোক্তুনা বোল পুবা*

বঙ্গোলিম, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি বঙ্গোলিমদা লৈবা জি এম সী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৫৩শুবা মেটচতা চেন্নাইন সিটি এফ সী অমসুং ওরিষা এফ সী পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা ভাস্কো দা গামা সিটিদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৫৪শুবা লীগ মেটচতনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীনা জমশেদপুর এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখ্রে।

ওরিষা এফ সী টুর্নামেন্ট অসিগী অপূনবা টিম ১১গী মনুংদা পোইন্ট ৫ ফংলগা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরম্বনি। অমরোমদা মখোয়গা লম্বা ওইখিবা চেন্নাইন এফ সী পোইন্ট ১০ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা অদুম্মক লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা ওরিষা এফ সীনা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংনবা হোৎনখিবা অদুগা চপ মান্নরা চেন্নাইন এফ সীসু মায় পাক্লগা পোইন্ট টেবলদা থাক ৱাংখৎনবা হোৎনরকখি। অদুবু মিনট ৯০গী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্মদনা পোইন্ট ১/১ য়েন্নখিবা মরম্না মখোয়-মখোয়না হান্না লৈরম্বা পোজিসন অদুদগী হাইগৎপা ঙমখিদে।

টিলক মাইদানদা জমশেদপুর এফ সী অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা মান্নরা লাকখি। কেরলা ব্লাষ্টর্স ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অদুগা জমশেদপুর এফ সীনা ৫শুবদা লৈখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা কেরলাগী মায়কৈদগী কোষ্টানা ২২শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ৩৬শুবা মিনটতা জমশেদপুরগী ভালস্কিজনা ইক্বেলাইজর চনখি। অনীশুবা হাফতা কেরলাগী মুরেনা ৭৯শুবা অমদি ৮২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চল্লবা মতুং ৮৪শুবা মিনটতা জমশেদপুরগী ভালস্কিজনা অমা হন্দোক্লগা ২-৩দা মায়থীখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 9 | 7 | 1 | 1 | 16 | 4 | 12 | 22 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 9 | 6 | 2 | 1 | 10 | 3 | 7 | 20 |
| 3 | Hyderabad FC | 10 | 4 | 3 | 3 | 15 | 13 | 2 | 15 |
| 4 | FC Goa | 10 | 4 | 3 | 3 | 13 | 11 | 2 | 15 |
| 5 | Jamshedpur | 10 | 3 | 4 | 3 | 12 | 12 | 0 | 13 |
| 6 | Bengaluru FC | 10 | 3 | 3 | 4 | 12 | 13 | -1 | 12 |
| 7 | Northeast United FC | 10 | 2 | 5 | 3 | 12 | 14 | -2 | 11 |
| 8 | Chennaiyin FC | 10 | 2 | 5 | 3 | 8 | 11 | -3 | 11 |
| 9 | East Bengal Club | 10 | 2 | 4 | 4 | 10 | 15 | -5 | 10 |
| 10 | Kerala Blasters FC | 10 | 2 | 3 | 5 | 13 | 19 | -6 | 9 |
| 11 | Odisha FC | 10 | 1 | 3 | 6 | 10 | 16 | -6 | 6 |

## নম্বর টু সিদেদ য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনানা রসিয়াগী অলিজান্দ্রোভা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে





*রসিয়াগী অলিজান্দ্রোভাবু সেট ২-১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনা*

অবু ধাবী, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): ঙসি অবু ধাবীগী ৱিমেন্স টেন্নিস ওপন টুর্নামেন্টকী খ্বাইদগী অরোইবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা রসিয়াগী একাটেরিনা অলিজান্দ্রোভাবু য়াম্না অকনবা লম্বাদা সেট ২-১দা থোইদুনা ইকোন কোন্না ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখ্রে।

স্বিটোলিনানা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় রসিয়াগী অলিজান্দ্রোভাবু অহুমশুবা রাউন্দ অদুগী অহানবা সেটতা ফজবা হেন্দুনা ৬-২দা মায় পাক্তুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অদুবু অলিজান্দ্রোভাগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট হৌবদগী অকনবা প্রেসর পীশিল্লক্তুনা স্বিটোলিনাবু লম্বা মান্নরা শান্নবা ঙল্লকখি। অমনা অমগী সর্ভিস গেম ব্রেক তৌবা ঙম্নদবদগী টাই ব্রেকতা শান্নরকখি। মদুদা অলিজান্দ্রোভানা ৭-৬ (৭-৫)দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নরকপদগী দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শানখি।

অহুমশুবা সেট অদুদসু শান্নরোয় অনীমক হেঞ্জিন্নখিদবদগী অমুক্কা হন্না টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুগী পোইন্ট ১৬ ফাওবা পোইন্ট ৮/৮ মান্নদুনা লাকপদগী লোইশিল্লকপদা স্বিটোলিনানা থংনবা পোইন্ট ২ লৌরগা ১০-৮দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্বিটোলিনানা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবী শান্নরোয় অদুসু রসিয়াগী শান্নরোয় ভেরোনিকা কুদরমেটোভানি। কুদরমেটোভানা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা স্পেনগী পি বাদোসাবু ৬-৪, ৪-৬, ৬-১দা থোইরম্বনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অনী অদুদি য়ুক্রেনগী মার্টা কোষ্ট্যুক অমসুং স্পেনগী সারা সোরিভ টোর্মোনি। মার্টা কোষ্ট্যুকনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোয় টামারা জিদানসেকপু ইৱা ৱাদনা জিদানসেককী সর্ভিস গেমশিং অদু সেট অনীমক্তা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-১, ৬-১দা থোইখিবনি। অমরোমদা, সোরিভ টোর্মোনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী লম্বাদা রসিয়াগী শান্নরোয় অনাষ্টেসিয়া গাসানোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীখি। অহানবা সেট শান্নরোয় অনী গেম ১০ লোইবা ফাওবা ৫/৫ দা মান্নরা লৈখি। অদুবু সোরিভনা গাসানোভাগী সর্ভিস গেম ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অমদি মশামক্কী সর্ভিস গেম হোল্ড তৌদুনা ৭-৫দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা গাসানোভাগী সর্ভিস গেম অমা সোরিভনা ঙন্না ব্রেক তৌখিদুনা ৬-৩দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি নম্বর ৱান সিদেদ য়ু এসকী সোফিয়া কেনিন অমসুং গ্রিসকী মারিয়া সাকারি। লোয়ননা বেলারসকী এরিয়না সভালেঙ্কা অমসুং কাজাখষ্টানগী এলিনা রাইবাকিনানি।

## চেলসিনা মোলকম্বেবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখ্রে, মেঞ্চেষ্টর সিটি, অর্সনেল অমসুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদসু মায় পাকখ্রে





*চেলসিগী শান্নরোয় অমনা মোলকম্বেগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা বোল কাওশিনখিবা*

লন্দন, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): এফ এ কপকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চেলসিনা মোলকম্বেবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখ্রে। মেঞ্চেষ্টর সিটিনা বর্মিংঘম সিটিবু ৩-০দা, অর্সনেলনা ন্যুকাসল য়ুনাইটেদপু ২-০দা, অদুগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ৱাটফোর্দপু ১-০দা থোইখ্রে।

চেলসিনা য়ূম্থু ওইরগা মোলকম্বেগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ অদুগা অনীশুবা হাফতসু পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু কেলম হদসননা পীরকপা বোল অমদা মেসন মাউন্টনা ১৮শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা কাই হাভর্টসকী বোলদা টিমো ৱর্নরনা চনবা ঙমখিবনি। অনীশুবা হাফকী অঙনবদা হাকিম জিয়েকনা পীরকপা বোলদা কেলম হদসনরা ৪৯শুবা মিনটতা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুগা শান্নবা লোইগদবা মিনট ৪ খক্তা ঙাইরবা মতমদা সিজরনা পীরকপা বোলদা কাই হাভর্টসনা চন্দুনা ৪-০দা থোইখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়ূম্থু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ইটিহাদ ষ্টেদিয়মদা বর্মিংঘম সিটিগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা পাঞ্জল ৩-০দা থোইখিবা অদু অহানবা হাফতা চনখিবা ঙাক্তনি। মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী বর্নার্দো সিলভানা ৮শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা ১৫শুবা মিনটতা টিমমেট কেভিন দি ব্রুননা পীরকপা বোলদা চনবা ঙমখিবনি।

শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী মায়কৈদগী রিয়াদ মহারেজনা সপ্লাই তৌরকপা বোলদা ফিল ফোদেননা চন্দুনা ৩-০দা মায় পাকপা ঙমখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা অর্সনেলনা ন্যুকাসল য়ুনাইটেদকা শান্নবদা অপীবা মতমদা মায় পাকপা ঙম্নদবদগী এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপদা অর্সনেলগী ইমিল স্মিথনা ১০৯শুবা মিনট অমদি পেরি ওবামেয়াংনা ১১৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চল্লগা মায় পাকখি।

অমরোমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওল্ড ট্রাফোর্দতা ৱাটফোর্দকা শান্নবদা স্কোটনা ৫শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মায় পাকপা ওইখি।


## ইন্দিয়াগী অঙ্কিটা রাইনা অমসুং রামকুমার ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা শরুক য়াবা ঙম্নবগীদমক হৌজিক পাঙথোক্লিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয় অঙ্কিটা রাইনা অমসুং নুপাগী শান্নরোয় রামকুমার রামানাথন অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ২শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অঙ্কিটা রাইনানা হঙ্গেরিগী রেকা লুকা জানিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী মাপনশুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী কেটেরিনা জবাস্কাগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা অঙ্কিটা রাইনানা অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাকপা ঙম্লবদি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন য়াওগদৌরিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রামকুমার রামানাথননা অহানবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় ফাকুন্দো বাগনিজপু ৭-৬ (৮-৬), ৭-৫দা অকনবা লম্বা অমদা মায় পাকপদগী অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় রু তুং লিনগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। লিননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী জে ক্লার্কপু ৬-২, ৬-৪দা থোইখি। ঙসি অথেংবদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী শান্নরোয় প্রজনিজ গুনেশ্বরন অহানবা রাউন্দ শান্নগনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 2**
**Kara,Muhammed Ozcan (1196) - Temel,Mustafa (1549)**
**TCh-TUR Club 2019 Konya TUR, 2019.07.18**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4c5 | 2.Nf3Nc6 | 3.Bb5e6 |
| 4.d4cxd4 | 5.Nxd4g6 | 6.c4Bg7 |
| 7.Be3Nge7 | 8.Nc3O-O | 9.O-Oa6 |
| 10.Bxc6Nxc6 | 11.Qd2Ne5 | 12.b3Ng4 |
| 13.h3Nxe3 | 14.fxe3b6 | 15.Rf3Bb7 |
| 16.Raf1d5 | 17.exd5exd5 | 18.cxd5Bxd5 |
| 19.Nxd5Qxd5 | 20.Rd1Rad8 | 21.Qd3b5 |
| 22.Rf2Rfe8 | 23.Rfd2Qe5 | 24.Kf2Qf6+ |
| 25.Kg1Bh6 | 26.Re2Kg7 | 27.Qc3b4 |
| 28.Qd3Rxe3 | 29.Rxe3Rxd4 | 30.Qxd4... |

**QUESTION :**
**Black wins in 3 moves**

[Puzzle 1 Ans. : 78.Qg3Nf1+79.Kh1Nxg3+80.Kh2Ne281.Kh3Qg3#]

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION COURSE Starts on 21st Jan, 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Limited seats with proper SOP
TOPPERS of 2020



1st Position Reshmi N. D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi Pitambra E/School
9th Position Noveena Kah D/o. Sarvodayachand & S. Aradhana Nirmalabas
10th Position Chaitan Y. S/o. Y. Shantikumar & T. Romila St. Joseph
15th Position Th. Jeet S/o. Th. Rashi & Th. Shanti St. Joseph
19th Position Dhanthoi S. D/o. S. Homeshor & O. Amita Nirmalabas
19th Position Mary L. D/o. Dr. John P. & Dr. Rothangpui Little Flower
25th Position H. Nandibala D/o. H. Nandalal & S. Madhubala Nirmalabas
25th Position Henry O. S/o. O. Kumud & K. Ranjita St. Joseph

1ST POSITION 2020



Reshmi Nandeibam

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| FIRST COME FIRST SERVE ( ONLY 250 STUDENTS ) | Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-B/6686/9/1-8/2


Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
& CLASS -X(BOSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSE Result 2019
19th POSITION



Rakesh Ningthoujam
MECI Explorer Academy

FOUNDATION COURSE for
CLASS -X(BOSEM)
25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSLC Examination Result 2020 at a GLANCE

6th POSITION




Jessica Konthoujam
Little Flower School

12th POSITION



Rabindra Moirangthem
St. Joseph School

14th POSITION



Ningthoujam Reona Devi
Trinity Public School

Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol Contact : 9862712287
HL-P/6601/11/1-25/1